ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও




ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাং পি এসকী মনুংদা লৈবা নোংশুম খুলগী খুঞ্জাশিংনা চীংথক্তা কুকিশিংনা বঙ্কর শারকপদগী নুপী অঙাংশিং থৈদোক্লগা নুপাশিংনা লাইসেন্স নোংমৈ পায়দুনা খুল ঙাক শেঞ্জরি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকপা

সেভ মণিপুর সেভ হ্যুমেনিটি স্লোগানগী মখাদা থবক তৌগরনি
☛ লামায় ২

ৱর্ল্ড হায়পরটেন্সন দে, মে ১৭, ২০২৩
লামায় ৪

‘লান খামসে লান খামসে’
☛ লামায় ৫

‘লৈবাক থুগায়নবা শীল্লিবসিগী তেকচাক এম এল এ ১০না পুগদবনি’
☛ লামায় ৬

মণিপুরদা থোক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং প্রি প্লান তৌরগা চথরকপনি অমসুং কুকিলেন্দ তানবা য়ারোই হায়না থৌদা ভাবোক লৈকায় অপূনবা নুপী মরুপনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা





Vol. 47, Issue No. 53 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী ২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ০৮ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, May 17, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### মণিপুরগী কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা মালিক অর্জুন খর্গে ১সুং রাহুল গান্ধী উন্নখ্রে

# ষ্টেট লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী পাকশন্না শন্দোরকখিবনি হায়না পাউদমখ্রে



**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩দগী হৌরদুনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া মশীং থিঙমদনা থোকচিল্লক্তুনা ওইহল্লক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি অহানবা হৌরকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী মীচম মীয়াম কয়াদা অশি-অনা মায়োক্নহল্লকপনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী লুচিংবশিংনা দেল্লীদা চৎতুনা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খর্গে অমসুং রাহুল গান্ধী য়াওনা পার্টিগী লুচিংবশিং উন্নদুনা শিৎ নান্না পাউদমখ্রে।

মণিপুরগী কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা পার্টিগী নেসনল লিদরশিং উন্নখিবগী মতাংদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা পাউচে অসিদা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তারকপদা ন্যু দেল্লীগী ১০-জনপথ রোদতা পার্টিগী মকোক থোংবী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীগা পুন্না লৈমিন্নরক্লিবা রাহুল গান্ধীগা উন্নখি। উন্নবসিদা হন্দক মণিপুরদা থোকখ্রিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অদু অহানবা হৌরকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা নীংথিজনা কন্ট্রোল তৌদুনা লাকশিনবা ঙমহৌদবদগীনি হায়রদুনা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট খুৎশিন্নখি। তুংদা নুমিদাংগী পুং ৭ তারকপদনা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খর্গেগসু হকথেংননা উন্নদুনা হায়রিবা রিপোর্ট অসিমক চপ মান্ননা থমখি।

লোয়নননা মণিপুরগী কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা পার্টিগী মকোক থোংবা লিদরশিং অসিদা নত্তনা এ আই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) কে সী ভেনু গোপাল অমসুং মণিপুরগী ইন চার্জ ওইরিবা ভক্ত চরন দাসগসু উন্নবা অসিদা পুন্না শরুক য়াদুনা ৱারী শান্নখি।

ষ্টেটকী কোংগ্রেস লিদরশিংনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম চপ চানা লিদরশিংদা থম্বগা লোয়নননা ফীভম অসি মতৌ করম্না লাকশিনগদগে হায়বা য়াওনা মণিপুরদা মহৌশাগী ফীভম অমুক হঞ্জিলহল্লক্নবগী থবকশিং ...মখা লামায় ৫ কলম ৪

# এন ঐচ-২ থিংলিবসি তম্পাক্তা পুশিল্লকপা পোৎলমশিং চীংদা য়ৌরোইদ্রা হায়দুনা চিংনবদগীনি ঃ কুলদিপ সিংহ

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) :**

নেসনেল হায়ৱে-২ থিংখিবনা মরম ওইরগা নেসনেল হায়ৱে-৩৭ তা পোৎ-চৈ পুবা ত্রকশিং পুশিল্লকপা হৌরে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা ফোংদোকখিবগা লোয়নননা এন ঐচ-২ থিংলিবগী মরম্না তম্পাক্তা পুশিল্লকপা পোৎলমশিং অতোপ্পা চীংগী শরুকশিংদা য়ৌরোইদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈবদগীনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বাবুপাড়াদা লৈবা চিফ মিনিষ্টরগী দরবার হোলদা পাংথোকখিবা পাউজী মীফমদা কুলদিপনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ইরাং অসি নেমথহন্নবা অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিলহল্লক্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি। ষ্টেট অসিদা থোক্লম্বা পামদবা থৌদোকশিং তপ্না তপ্না হন্থরক্লি। ঙরাং ষ্টেট অসিগী মফম খরদা থোকখিবা পামদবা থৌদোক খরা হায়রগদি ঙরাং সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কংলাতোংবীগী হাথিকৱাদা লৈবা তিক রিজোর্ট পিক্নিক স্পোট অমা মিলিটেন্ট ওইগনি চিংনবা মীওই ২০/৩০ রোমনা কোয়শিন্দুনা থম্বগা লোয়নননা থোঙ থোঙনাওশিং থুগায়দুনা মৈ থানবা হোৎনরমখি। অদুবু থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা খুদক্তা সি আর পি এফ কী পার্সোনেলশিংনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা কা হেন্না

### চীফ মিনিষ্টরনা গভর্ণরদা ওইরক্লিবা ফীভমশিং পাউদমদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্নবা খন্নখ্রে



অমাং অতা থোকহল্লমগদবদগী কনবা ঙমখি। হৌজিক হৌজিক সি আর পি এফ কী পার্সোনেলশিং এরিয়া অদুগী অকোইবদা কেম্প তৌদুনা লৈখ্রে।

হায়রিবা নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা মিলিটেন্টশিং ওইগনি চিংনবশিংনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ৩৪-মাইলষ্টোন এরিয়াদা ত্রেলর ত্রক অমা মৈ থাদোক্লমখি। থৌদোক মচা-মচা খরা থোক্লিবা অসি নত্তনা হান্নগুম্না পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈতে। অমরোমদা ইরাংগী ফিভম তপ্না তপ্না ফগৎলক্লিঙৈ মরক অসিদা মীওই খরনা অরানবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইবা তোকঙা শন্দোরক্লিবা অসি তৌরোইদবনি। তোকঙা থীংনবা ঙরাং মরী লৈনবশিংনা কুপ্না খন্নখিবগা লোয়নননা থৌদোক খুদিংমক্কী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### কর্ফিয়ু কোমথোকপগী মতম

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):**

হয়েংগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি। অদুগা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকীনা অয়ুক পুং ৫দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কোমথোক্কনি হায়রি।

### হিন্দু সমাজ পার্টিনা জন্তর মন্তরদা প্রোটেষ্ট তৌগনি

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):**

পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা হিন্দু সমাজ পার্টিনা হৌজিক মণিপুর অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈরিবা হিন্দুশিংদা চথরক্লিবা কা হেনবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা হয়েং ন্যু দেল্লীগী জন্তর মন্তরদা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়না পার্টি অসিগী দেল্লী প্রদেসকী মীদিয়া ইন চার্জ রবিকুমার রাজনা ফোঙদোকখ্রে।

### মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা অম্বানা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):**

মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী মখা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়দুনা ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা) না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

### গভর্ণরদা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):**

সেনাপতিদা পন্দুনা লৈরিবা টেঙ্কর য়াওনা গাড়ীশিং অথুবা মতমদা পুশিল্লক্নবা তোঙান তোঙানবা এসোসিএসনশিংগী মীহুৎশিংনা গভর্ণর উন্নখিবগা লোয়নননা টেঙ্কর য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ৱাই ভুপেনচন্দ্র ঘোসনসু পাউমীশিংগী খূথাংদা আপীল তৌখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Kuki khutlai paiba militantsing laksinbana thorakliba kanglupki irang ashi loisinduna mahousagi fibamda hanjinbada achouba mateng oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

### NGARANG GI RESULT

Q : Manipurgi furup amagi tonganba Administration pibada apunbagi saktamda akaiba leiroi hairaklibasi achumba wapham oigadra?

Yes 0% No 100%

## নোংশুম খুল : নুপী অঙাংশিং থৈদোক্তুনা থল্লে নুপাশিংনা লাইসেন্স নোংমৈ পায়দুনা ঙাক্লে : খুঞ্জাশিং

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩দগী হৌরদুনা থোরকখিবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাংদা খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিং য়াওশিল্লক্তুনা হেন্না ফীভম শোকহল্লকপদা নত্তনা মখা শমথরকপগী ফীভম লাকপদগী চীংগী খুলশিংগা তাইনবা মীতৈ খুলশিংগী মখোয়গী লৈজবা লাইসেন্স নোংমৈশিং পায়দুনা ঙাক শেঞ্জবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি হায়না খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শগোলমাং পি এসনা কোনবা চীংয়া নক্লা লৈবা নোংশুম খুলগী খুঞ্জাশিংনা মখোয়গা খুল্লোন্নরিবা কুকি খুলশিংদগী ফিমু শেৎলগা মতিক চাবা খূৎশু খূৎলায়শিং পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিং লাক্তুনা নৌহৌননা বঙ্করনচিংবা শাগৎলকপদগী নোংশুম খুলগী নুপী অঙাং পূম্নমক শাফগদবা মফমদা থৈদোক্তুনা থল্লগা খুঞ্জাশিংনা লাইসেন্স নোংমৈশিং পায়দুনা খুল ঙাকপগী থবক চথরে।

ৱাফমশিং অসি ঙসি নোংশুমদা লৈবা নোংদা লাইরেন পাখঙবগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা খুঞ্জাশিংনা পাউমী খূৎপু অমদা ফোঙদোরকখিবনি।

খুল অসিগী ৱাঙাঙলোই কোঞ্জেংবম ইবুঙোবীনা হায়, নোংশুম খুল অসি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চনবনি অদুগা খুল অসিগী নোংপোক থংবা চীং অসিনা সাইকুল এ সীগী মনুংদা লৈবনি। চীংশিং অসিদা তারিবা কুকি খুলশিংনা গোপিবুং, চরোংবা, থম্বাই, অদায়াং, লফুলাক, খয়াং শেংফেল খুল্লেন, গাংপিমোল, লাংখোং অমদি খরা চঙশিল্লগনা এস খোমনোমফাই খুলনচিংবা তারিবনি। লফুলাক হায়রিবা খুল অসিদি ম্যান্মারদগী নৌনা লাকপা কুকিশিংনা তাবনি হায়রি। অদুগা নোংশুম খুলগী নোংপোক থংবা চীংশাং নাপোমদা তারিবা কুকি খুলশিং অসি মীতৈগী খুলগা শুপ্নতগী কিলোমিটর অমা মখারোমদমক লাপ্পনা লৈমিন্নবনি। হৌজিক্তি চীংথক্তা লৈবা কুকি খুলশিংদা বঙ্করশিং শাগৎনরকপা উরে। পুন্না বঙ্কর ৩/৪ রোম উরে। বঙ্করশিং অসি কেমেরাদা জুম শীজিন্নদুনা য়েংবদা উবগা লোয়নননা সিমিত্রিনচিংবদা ...মখা লামায় ৫ কলম ৪

## থোকখ্রিবা থৌদোকশিং প্রী প্লান তৌরগা থোকহল্লকপনি অমসুং কুকিলেন্দ তানবা য়ারোই হায়দুনা ৱাকৎ মীফমশিং পাক্তন্না ফমখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) :** হন্দক মণিপুরদা থোকখ্রিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অদু প্রি প্লান অমগী মখাদা চথরকপা থৌওংনি হায়বগা লোয়নননা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা তূমিন্না লৈশিনবা য়ারোই অমসুং সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনদা লৈরিবা কুকি লালহৌবশিংনা মখোয়গী গ্রাউন্দ রুল থুগাইরক্লিবা অসি লাকশিন্দুনা মখোয় মখোয়গী দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদা হঞ্জিলহল্লু হায়বগী দিমান্দদা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না ৱাকৎ মীফমশিং ফমখিবগা লোয়নননা পেন্দবা খোল্লাউশিং লাউখ্রে।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অমসুং খোল্লাউশিং লাওবগী প্রোটেষ্টতা শরুক য়াখিবশিংনা কুকি এম এল এ ১০না মীখলদা মায় পাল্লক্লগা মণিপুরদা কুকিলেন্দ তানবা য়ারোই হায়বা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম চথখিবশিংগী মনুংদা টিদ্দিম লম্বীগী থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈকায় অসিগী অপূনবা নুপী মরুপনা শীন্দুনা মীয়ামগা লোয়নননা ৱাকৎ মীফম ফমখি। প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবী থৌদা ভাবোক লৈকায় অপূনবা নুপী মরুপকী সেক্রেটরি সোরাইসম ওংবী আশালতানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শুংকাই কায়বা য়ারোই। সু চৎনরিবা কুকি লালহৌবশিংনা মাগী মাগী দিজিগনেটেদ কেম্পতা লৈগদবনি। মসিগী মতাংদা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা তূমিন্না লৈশিনবা য়ারোই। মখোয়গী থৌওংশিংনা মীতৈ ফুরুপ্তা অদুক্কী মতিক অশাওবা পোকহল্লে হায়খি।

মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম লাকশিনবা ঙল্লক্তবা য়াই হায়বসি সেন্টর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা খঙগদবনি হায়খি। লোয়নননা চীফ মিনিষ্টর ...মখা লামায় ৫ কলম ৪

### মফম খঙদনা লৈরকখিবা মীওই শরূ পোলাং ওইনা ফংলে

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এন এস):**

থা খরগী মমাঙদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা চীংঙারেল টেজপুরদগী হিজম ইনাওচা (৫৬) অপোকপা ঐচ ইবোতোম্বীগী খোঙ্গুল লীরক্লিঙৈগী চৈরক্তা মহাক্কী শরূ পোলাং ওইনা ফংলে হায়রি।

মহাক্কী শরূ পোলাং অদু লম্লাই পি এসকী মনুং চনবা চীংঙারেল চীংগী নোংচুপ থংবা ঈশিং খোং অমদগী ফংবনি হায়রি। শরূ পোলাং অদুগী মনাক্তা থৌরি মতৎ অমসু তারমখিবগা লোয়নননা মহাক মতৌ করম্না লৈখিদবনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি। পনবা য়াবদি মহাক হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৭তা য়ূমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদবনি হায়রি।

## এ আরনা শীন্দুনা সিক্যুরিটি কোওর্দিনেসন মীটিং পাঙথোকখ্রে চূড়াচান্দপুরদা গ্যাস য়াওবা সিলিন্দরশিং পীখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) :**

হৌজিক ওইরিবা ষ্টেটকী ফীভম অসিগী মতাংদা ঙরাং অহানবা মণিপুর রাইফলসতা অসাম রাইফলসনা থৌবু ওইনা শীন্দুনা সিক্যুরিটি অমসুং কো-ওর্দিনেসনগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা ইম্ফাল সিটিদা দিপ্লোই তৌরিবা সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট ফোর্সশিংগী সিনিয়র ওফিসরশিং য়াওনা আর্মি, অসাম রাইফলস, মণিপুর পুলিস, সী আর পি এফ, বি এস এফ অমসুং আর এ এফকী সিনিয়র ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি।



অসাম রাইফলসনা থৌবু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা করিগুম্বা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্লগাদি করি করম্বা পান্থৈশিং শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা কূপ্না খন্নখিবগা লোয়নননা মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা ইম্ফাল সিটিদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পগী ফীভম হঞ্জিলহল্লক্নবা লৌখৎকদবা থবকশিংগী মতাংদসু কূপ্না খন্নখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ) না ঙসি থোরকখিবা চেরোল ...মখা লামায় ৫ কলম ৪

## ঙসিদগী কুকি মিলিটেন্টশিংগা তৌনরকপা ‘সু’ গী এগ্রিমেন্ট হন্দোক্কদবনি : কোকোমি

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাংসিনা চৈথেং কয়া পীরক্লবসু তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা হান্নগুম্না ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে অদুবু চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগা নক্লরিবা খুলশিংদদি ঈহৌ অসি মখা তানা থোক্লি হায়রদুনা ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা কুকি সী এস ও অমত্তনা কুকি মিলিটেন্টশিংদা আপীল অমত্তা তৌরক্তবসি লাইবক থীবনি হায়না কোকোমিগী কোওর্দিনেটর জিটেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ৱাংখৈ জুনিয়র হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা তম্পাক্তা হান্নগুম্না ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্নবসু লাইফ লাইন ওইরিবা হায়ৱে কয়াদগী শকখঙদবশিংনা গাড়ী থৎপা অমদি চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা কয়া পীরি। মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সু তৌনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগগী মরক্তা গ্রাউন্দ রুল ঙাক্লা চৎহনগদবনি হায়দুনা থাখিবা নুমিৎ অদু হয়েংনা অরোইবনি হায়রদুনা হৌজিক কাঙলূপ অনীগী ঈরাংসিদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরকপনা হয়েংদগী সুগী এগ্রিমেন্ট ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়খি।

লোয়নননা ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক মীয়াম্না ৱাখল ফাথনা লৈগদবনি হায়রদুনা থবক অসিদা ফুরুপ খুদিংমক্কী সী এস ওশিংনসু মীয়াম্বু তংদু লৈতানা লৈহন্নবা হোৎনবদা লৌফম থোকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ৮

## মীতৈ ১দি কুকি ইচিল ইনাওশিংনা মহৌশাগুম নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবীয়ু : এম এন পি এফ

ইম্ফাল, মে ১৬ : মণিপুরদা হৌখিবা মে ৩ অমসুং ৪দা ইচিল ইনাও ওইরিবা মীতৈ অমদি কুকি কাঙলূপ অনীগী মরক্তা য়াম্না শাথীবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক, য়ুম মৈ থাবা, হাৎন-শুনবা অমদি লন-থুম কয়া মাঙহন তাকহনবা অমসুং মী লিশীং-লিশীং কয়ানা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবা অসিদা মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ) না য়াম্না লূম্না লৌজবগা লোয়নননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌজরি হায়না মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ) কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থোমাস ন্যুমাইগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর অসি ঙল্লিঙৈগী মতমদগী কাঙলূপ ৩৬ হেনবগী ইপা ইপুশিংনা নাৎ চৎনবী অমসুং তোঙান তোঙানবা লাইনীং চৎচরবসু অৱা অনা পুমিন্নদুনা নুংশি চান্নবা ইরমদম অসিদা পানমিন্নরকখি। য়েক্লবা কয়াদগী লান্দারকপদা থৱায় পাম্মুবা লৈতনা ইপা ইপুশিংনা অমত্তা ওইবা ৱাখলদা ইমা লৈবাক্কীদমক মশাগী ঈখেং কৎতুনা নীংতম্বা কন্দুনা শেমগৎখিবা ইমা লৈবাক মণিপুরনি। অদুবু ঙসিগী মীরোলনা ইপা ইপু কাউথোক্তুনা য়েক্লবা ইন্দিয়ানা ইচিল ইনাও ঐখোয়বু খাইবুং খাইবুং তাহন্নবগী ইনশিনবা থৌশিলবু ইন্দুনা অপীকপা ৱাখল্লোন্দা মশা খক্তগী ওইবা কাঙলূপ হিংহৌরগা লোইরে অমসুং মশানা মফরবনি অতৈবুনা মাগী মখাদা থমদুনা নেৎতুনা পানগদবনি হায়বসিগী ৱাখল্লোন শাগৎপনা ঙসিগী হাৎন ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# কৌত্রুক্কী খুঞ্জাশিং : থক্ল-চানবা ঈশিংসু লৈহৌদ্রে, নুমিদাংদনা দ্রোন ফাওবা শীজিন্নরকপনা মীহুল শুনহৌদ্রে

**ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩গী নুংথিলদগী চূড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী তাইনবা টিদ্দিম লম্বী পরিংদগী হৌরক্লগা মফম অয়াম্বদা লান্মৈ চাকপদৌনা শন্দোরকখিবা য়ূম-কৈ মৈ থাবা অমসুং মীশি-মীনা নংহনবা থৌদোকশিং থোকখিবা মফমশিংদা মথং-মথং চৎতুনা খুঞ্জাশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নরকপগী মখা তারকপদা ‘কৌত্রুক’ খুলগী খুঞ্জাশিংগসু উন্নখি।

খুল অসিগী খুঞ্জা অমনা অসুম্না ফোঙদোরকই, হন্দক্কী ঈরাং মনুংদা কৌত্রুক খুলগী ওইনা থোকখিবা থৌদোকশিং হৌবদগী লিরকউ হায়রবদি খঙজবা, উজ হৌবা য়াম্না লৈ হায়রকখি। খুল অসিগী মনাক্তা চীংগী নাপোম অমা লৈরিবদুদা খুদোম্বী থিল্লদুনা মহাক্লা হায়, মফম অসি কাংপোকপীরোমদগী হৌরক্লগা লৈত্রাম খুঞ্জাও লৈরিবা অদু ফাওবা শন্দোক্লিবা চীংশাংনি। হায়রিবা মফমশিং অসি কুকিশিংনা ‘সদর হিলস’ হায়দুনা শকখঙনবগীদমক তান্দুনা লাকখিবনি। অদুগা চীংশাং পরেং অসিগী চীংয়াং অসিগী অসোম নাকল থংবা নাপোমদা কুকি ইচিল ইনাওশিংগী খুল মথং-মথং তারগা চৎখ্রিবনি।

মসিদা সঙাইথেল অমসুং লৈমখোংগী মখা থংবা শরুকশিংসু য়াওনা কাংপোকপী ফাওবসি অদুমক খুলশিং তাখ্রবনি। অদুগা খুলশিং অসি অমগা অমগা ফাওনবা য়ানবগী লম্বীসু চীংয়াদা মখোয়না অরৈবা পান্থৈ পুথোক্তুনা শেমজিনখ্রবনি। তমদা লৈবা ঐখোয়না মফমশিং অদু ঐখোয়গী লমনি হায়দুনা লম্বী থিংলুদ্রবসু মখোয়না অদুমক ফাওননবা শেমখ্রবনি। মসিমক মখোয়না তুংগী পোরম য়াৎলম্বা ওইগনি হায়রকখি।






পূম্নমকসি লৈরগসু কৌত্রুক লোমদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগৎপা হৌরক্লে। মসি শাগৎপা হৌরকপা মতাংদুদা শাগৎলিবা লম অসি ঐখোয়গী কৌত্রুক্কী দাগ নম্বর-১ হায়বা অমা চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরকখিবনি। হায়রিবা অসি কুমজা ১৯৬০দা ওল্লগা ষ্টেট লৈঙাক্লা খুল অসিদা পীবিরম্বনি। অদুবু ঐখোয়গীদি খুঙ্গং ওইবনিনা শাগৎলিবা মফম অসিবু মখোয়গী লমনি হায়বা লৈখি অদুবু তশেংনমক্তি কৌত্রুক্কী ওইজবনিনা লৈঙাক্লা পাট্টাদা লৈবশিং য়েংলগা লৈঙাক্লা য়ান্নরগা শাননবা পীখিবনি। মতাংদুদসু কুকি ইচিল ইনাওশিংগা ঐখোয়গা য়াম্না মুক্লবা লৈখি। মদুগী ষ্টেট লৈঙাক্তা পীজদুনা শীন্নজবনি। মফমসিদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা য়াই, শাবীয়ু হায়না হায়জরুবদা লৈঙাক্লা সু য়াবীরকখিবনি। মতাং অদুদা ঐখোয়গা নক্লা তারিবা কুকি ইচিল ইনাওশিংনা অয়েৎপা অমা পীরক্লগা য়ুনিভর্সিটি মতুং তারকপদা মখোয়গা ঐখোয়গগী মরক্তা নুংঙাইনদবা য়াম্না লৈখি অদুবু অতৈদি হায়জররোই হায়না মখা তারকখিদে।

অমরোমদা, হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা চূড়াচান্দপুর রোমদগী থোরকখিবা ঈহৌ অদু মণিপুর পাকশন্না য়ৌরকখ্রিবনি। ফীভম অসিদা ঐখোয়গীদি তোক্লবসু থোরকখ্রিবশিং অদুনা পোৎলূম অমদি ওইহল্লে। অদুগা হায়রিবা অসি কৈদৌঙৈ শাফরক্কদগে, করম্না তৌগদগে অমসুং মতৌ করম্না শন্দোরকখিবনো হায়বসি ইশা ইতোমতা হংজবা ৱাহং ওইরবসু মসিগী পাউখুমদি ফংবা ঙমদ্রে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি মখোয়না শক্তাইনবা পুরক্কনি, অহেনবা লান্মীশিং পুরক্কনি হায়বা লৈ। অদুবু অমরোমদা হায়রগদি কুকি ইচিল ইনাওশিংনা লান হৌরে, মখোয়না লান হৌরকপদগী ৱারী শান্নসি হায়দুনা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন তৌনখ্রে অদুবু সু তৌনবনা মখোয়দা অমুক্তা হেন্না খুদোংচাবা ফংখ্রে হায়রকখি।

মরমদি মণিপুরদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫